থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং শেন্নবা

সরাংথেম জেসমারানি

থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং শেন্নবসি ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং শেন্নবগা চপ মান্নে। মসিদা থাও হাপ্লগা শীজিন্নবা (মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথকপা), ইঞ্জিনগী কোকথোঙ হেঞ্জিনবা (ষণগী ফিজিওলোজিকেল মেকানিজম), তীং লাউনা শীজিন্নবা (চেকশিন্না শেন্নবীবা), মসিমক্তা শারমচৎ চৎপশিংদগী অফবা কয়া অমা পুথোকহনবা ঙমহল্লি।

ষণ লাবশিংসি মশাগী মপাঙ্গলসি লৌউ-শিংউ তৌবদা হায়বদি শম্পোৎ খোইবা, উকাই তকপদা, লৌ লোকপদা, ঈশিং চিংখৎপদা, মী অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি। লমদম অসিদা চাদা ৪৩গী মথক্তা ষণশিংসি থবক তৌনবা শীজিন্নরি।

ষণ লাবশিংনা থবক তৌবা ঙম্বগী চাং : ষণ লাবা অনী ষণগাড়ী চিংদুনা পুবদা পুং ১দা কিলোমিটর ৪-৫ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। য়াম্না কা হেন্না থুনা চৎহন্দ্রগদি নোংমদা কিলোমিটর ২৫-৩০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। নোংমদা মখোয়না চৎপা ঙম্বগী চাংসি লৈরিবা অঙৈং অশাগী ফীভম, মখোয়দা শীজিন্নরিবা ইক্বিপমেন্টশিং, শাবন লাকপা পোৎলমশিং অমদি মখোয়বু পুদুনা চৎলিবা মপূদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মতম পূম্নমক্তা ষণ লাবশিং অকনবা থবকশিং হায়বদি লৌ খোইবা, অৱম্বা পোৎ পুথোক পুশিন তৌবা তারগদি নোংমদা পুং ৩দগী হেন্না শীজিন্নবীরোইদবনি। খরা ৱাদবা নৎত্রগা য়াংবা থবকশিং শীজিন্নবীগে হায়রগদি হায়রিবা পুং ৫দগী খরা হেনবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই।

থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিংসি মশা-মউ ফবা, নীংথিনা শাংবা অমদি ৱাংবা ওইগনি অমদি চৎপা মতমদসু মশা য়াঙনা অমদি ৱাদনা চৎপা ঙমগনি। ষণশিংসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, শাওগন্দবা ওইগদবনি।

চহী কয়াদগী ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা হৌগনি : লমদমদুদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ষণ লাবশিং মখোয়না চহী ৪ হেক শুরগদি থবক শীজিন্নবা য়ারে। ক্রোস ব্রিদ ওইরগনা হায়রিবা মতমসিদগী ঙন্না শীজিন্নবা য়াই। চহী নৌরিবা ষণ লাবশিং ঙন্না থবক খক শীজিন্নবীরোইদবনি। মরমদি হকচাংগী শরম্শিং চহী নৌরিবনিনা কন্নশিন্দ্রি। ঙন্না থবক শূহল্লগদি ষণশিংদু চাউদম থিনগল্লি। ষণ লাবশিংদা লাঙ্গোল হাপ্তুনা চহী নৌনা থবক শূহল্লগদি লাঙ্গোল মফম তাদুনা কুইনা শূবা ঙমদে। মসিনা অনাবা অমা ওইহল্লি। করিগুম্বা চহী লীরবা ষণ লাবশিংদুসু লাঙ্গোল হাপ্তুনা থবক শীজিন্নবা তম্বীবদা ৱানা থোকই। তম্বীরগসু তুং কোয়না চৎতে। ষণ লাবশিং থবক ওইনা শীজিন্নবা থম্বীগে হায়রগদি মখোয়না চহী ১-২ মখায় শুরকপদা মশা শেমদোকপীগনি। মশা শেমদোকপসু য়াম্না লাই। কেসট্রেটর কৌবা খূৎলায় অমা শীজিন্নরগা শেমগনি। মসি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডাক্তরশিংগা তানবীরগা মশা শেমদোকপীবা য়াই। খরা অমনা মশা শেমদোক্লগদি চাউদম থিল্লি হায়নৈ। মসি অরানবনি। মশা শেমদোক্লগদি চাউদম কল্লি, ঈং-তপ্পী, শাথীদে, মশা-মউ ফৈ, তুপ-তুপ লাওগনবা ওই।

থবক শীজিন্নবা ষণ লাবা খনবা : ষণ লাবশিং চাওরি মতিক থবক য়াম্না শূবা ঙম্মী। শোন্দম্নবা ষণ ওইরগদি কা হেন্না শাংনা শূবা ঙমদে। থবক শীজিন্নবা ষণ খনবা মতমদা মখোঙ মরিমক অশোয়-অঙাম য়াওরোইদবনি। ষণ লাবশিংগী মরূম য়াম্না তাশিনবা, চাউবা ওইগনি । মনিং লেভেল অমদা লৈগনি। মখোঙ মরিমক তেক কায়দবা মতোং মত্রং-মত্রং কাবা/কনবা, শরম্গী অশোয় অঙাম য়াওদবা ওইগনি। ষণগী লোংখুমসু মুবা, কনবা ব্ল্যাক্সি ওইবা, লোংখুম অনীগী মরক্তু য়াম্না লাউবা ওইরোইদবনি। খুকউগী শরূ চাওথোকপা, চৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনবীগনি। ষণগী মঙকসু করিগুম্বা মখলগী অপোম্বা অমত্তা লৈরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু পোৎ পুবা ঙম্বা ওইগনি। লেপ্পা মতমদা মকোক হাইগৎনা লৈবা, থবক তৌবা মতমদা মমৈ ৱাংখৎনা লৈবা উগনি। মসিনা তাক্লিবসি ষণশিংদু য়াম্না মীৎ-না শিংবা, মশা মউ খিংবা অমদি চেকশিনবগী মওং উৎপনি।

থবক তৌনবা ষণ পাবোট অমা শেম্বা মতমদা ষণ লাবা অনীমক চাও-শাংবা মান্নগনি, ইং তপ্পা ওইগনি। করিগুম্বা অমনা অমদগী চাওবা মান্নদ্রগদি লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা চপ চানা ফীভম তানা হাপ্পা ঙমদে। অসিগুম্বা ষণ লাবা অনীমক চাও শাংবা মান্নদ্রগদি খ্বাইদগী চাওবদুনা পোৎলুম অয়াম্বা পুই। মসিদা অচৌবা ষণদা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি মতিং হুৎনা থবক তৌবা ঙমদে।

ষণশিং তাকপী-তম্বীবা : মতম চঙনা ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা তম্বীবদা অরেম্বদা মাঙদে। তাকপী তম্বীদ্রিঙৈ মমাঙ থা ১-২ ৱাংলিঙৈদা ষণগী মনাতোন্দা মখুল হুৎতুনা নাতোন্দা থৌরি থিংজিন্নবা শেম্বীগনি। অহানবদা ষণ লাবসি ষণবুনা পুথোক্তুনা মাগা মত চান্নবা হোৎনবীগনি। তাকপী তম্বীগদৌরিবা মীদু য়াম্না ঈং-তপ্পা অমা ওইগনি। ষণগী মশা য়াম্না তোয়না নানবীদুনা মরক মরক্তা মচিঞ্জাক মখূৎতা হাপ্লগা খরা খরা চাবা তম্বীগনি। মসিদসু নত্তনা শজিকসু মরক মরক্তা পীজবীগনি। তাকপী তম্বীগদৌরিবা ষণ লাবদুদা তম্বীগদৌরিবা মপুদুনা তাথী তাওই তৌবীরোইদবনি অমদি ফূ চৈবসু তৌবীরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু মপুদুনা তুং কোয়না লোয়নহনগদৌবা মরম্না মপুনসু মরুপকুম্না নীংথিনা শেন্নবীগনি।

অনীশুবদা ষণ লাবশিংদু লাঙ্গোল হাপ্পা তম্বীগনি। লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা ষণ অনীমক্তা হাপ্লগা ষণ লাবা অনীমক হান্না লৈরম্বা সাইটতা লৈহনগনি হায়বদি ষণ লাবদু লাঙ্গোল হাপ্লগা ওইরোমদা লৈরগদি ওইরোমদা অদুমক লৈহনগনি। অদুগা য়েৎলোমদা লৈবদুনা মতম পূম্নমক্তা অদুমক লৈগনি। ষণ অনীমক্লা লাঙ্গোল হাপ্লগা চৎপা ঙল্লগদি পোৎশিং য়াল্লবদা কেজি ৭৫ মুক্কী পোৎ লাঙ্গোলগী ময়ায়দা থল্লগা থৌরিনা চিংবা তম্বীগনি। মসিগী মওংসিদা হৈনরগদি মপূনা কম্যান্দ তৌবা খুদিংমক হায়বদি লেপ্পু, চৎলু, চেল্লু, য়েৎতা লৈবা, ওইদা চৎপা, চুম্না চৎপা খুদিংমক তম্বীবা য়ারে। মসিগীদমক্তা মশীং য়াম্না চপ মান্ননা তৌহন্দুনা কম্যান্দ তৌবা খুদিংমক মতুং ইন্নবা হোৎনরক্কনি।

ষণশিং পীজ-পীথক তৌবা অমদি শেন্নবীবা : শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাকসু হেন্না অমদি খরা হন্থনা পীজবীগনি। কা হেন্না থবক শীজিন্নবা মতম হায়বদি লৌউ-শিংউগী মতমদদি হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। পীজবিবা মতমদা মফোনগী শরুক্লা খরা হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। শজিক ঙাক্তা পীজবীবগী ৱাখল ষণবুনা থাদোকপীগনি। মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি লূ-নান্না থম্নবা ষণবুনা ষণগী মশাশিং তকথোকপীগনি। মশা শেংদোকপা মতমদসু থবক হৌরবা মতুং নৎত্রগা হৌদ্রিঙৈ চরু খুবাম অমা পায়বিদুনা মশাদু তকথোকপীগনি।

য়াম্না শাবা মতমদা ষণশিংদু থবক শূহনবীরোইদবনি। কালেনগী মতমদদি অয়ূক পুং ৫-১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী মতমদনা পুং ৩-৬ ফাওবা শীজিন্নবীগনি। পুং ২ সুরবা মতুংদা ঙাইহাক অমুক ষণশিংদু পোত্থাহনবীগনি। পোত্থাবা মতমদসু উরুম লাংবা মফমদা থম্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। কা হেন্না ষণশিংদু থবক শূহনবীরোইদবনি। মসিনা লুম্বা হন্থহনবদা নত্তনা মশাদসু অশোয় অঙাম য়াওরকই। মফম খরদদি থবক তৌদ্রিঙৈদা ষণগী লোংখুমদা খোঙউপ উপ্পী। মসিনা খোঙ শোকপগী চাং হন্থে। হায়রিবা খোঙউপশিংদু থা ২-৩ লৈরগা অমুক অমুক শীল্লি।

অসুম্না নীংথিনা ষণবুশিংনা ষণশিংদু শেন্নবীরগদি তুং কোয়না থবক শীজিন্নবদা নুংঙাইনা শীজিন্নবা অমদি ষণশিংদা অনা অয়েক অমদি খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। ●

ষ্টেটকী পাউ

নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমীৎতা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাকপীয়ু : পি টি এফ সী-১৯

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মরক অসিদা থৌরম অসিগী তঙাইফদনা ঙাক্কদবা এস ও পিশিং অমদি এদভাইজরি, প্রোটোকোলশিং ঙাকপীনবা আপিল তৌজরি হায়না পীপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯)গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ মোইরাংথেম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, নুমীৎ অসিদা মরুওইনা য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা চাক্কৌবদা ইমুং অমত্তদা লৈমিন্নবা ওইরবসু মীপূম খূদিংমক্লা ফেস মাস্ক শোয়দনা উপ্পীয়ু। য়ূমদা লৈবা অহলশিংদগী নিংঙোলশিংনা য়ারিবমখৈ য়াইফ থৌজাল নীবা মতমদা ইশা-ইশানা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপীয়ু। য়ূমগী অহল-লমন, মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাশিংনা য়াইফ থৌজাল পীবদসু ফেস মাস্ক উপ্পীবগা লোয়ননা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোন ঙাকপীনবা হায়জরি।

হৌজিক-হৌজিক লৈকাই-খুল অমদা পোজিটিভ ওইবা য়াওনরকপদগী টেষ্ট তৌনরুবদা ইমুং-মনুং হুপ্না পোজিটিভ কেস থোক্লকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। কোভিদনা শিখিবশিংগী মনুংদা য়ূমগী শোল্লবা অহল-লমনশিং তোঙান-তোঙানবা অরুবা লায়না কয়াগা শাগোন্নরগা চৎলিবা চহী য়ামশিল্লক্লবা অহল ময়াম অমসু য়াওরি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হন্দক চহীগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। তমথীরবা লায়না লাইচৎ অসি টেষ্ট তৌদ্রিবমখৈ ফাওবদি কনা-কনানা পোজিটিভ ওইরিবনো হায়বা খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা চেকশিনমিন্নবা হায়বসি মীপূম খূদিংমক্লা চঙই। চাক্কৌবা নুমীৎ অসিগা লোয়ননা পূনমিন্নরিবা কুইনা উনরুদ্রবা নিংঙোলশিং, অহল-লমন, মবুং-মৌপ্পা ময়াম পূনমিন্নবদা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ইশা-ইশানা লৌগদবা থৌদাংশিং তঙাইফদনা লৌমিন্নসি। লোয়ননা লাইচৎ অসি লমদম অসিদা পাকশন্না শন্দোরক্তনবগীদমক অচেৎপা ৱাশক লৌমিন্নবগী তাঞ্জা অদুসু লৌমিন্নরসি হায়বগী ৱাফম থমজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শেল খোম্বা লেপ্পীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): ময়াং লাংজিং য়ুঠ লাইব্রেরি ক্লব (এম ৱাই এল সী)না কোনবা মফমশিংদা মাইক্রোফাইনান্স তৌরিবশিং য়াওনা নুমীৎ খূদিংগী, চয়োলগী অমদি থাগী শেল খোল্লিবশিং লোয়ননা লৈকাইগী টেন্দর তৌরিবশিং অমসুং শেন্দোই শান্দোক্লিবশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী তং-তাবা ফীভম অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা মখল অমত্তগী শেল খোম্বা চথুবীদনবা হায়জরি। করিগুম্বা হায়জরিবা অসিদা মখা তানা শেল খোম্বগী থবক তৌবীরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা মশা-মশাগী তেকচাক মাইক্রোফাইনান্সশিংনা লৌগদবনি হায়না ময়াং লাংজিং য়ুঠ লাইব্রেরি ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খংজ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শক্লাইরবা অইবা দিনেশ তোংব্রমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শক্লাইরবা শুমাঙ লীলাগী অইবা অমদি নেসনল এৱার্দী দিনেশ তোংব্রমনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনাচন্দ্র, শুমাঙ লীলা এৱার্দ কম্মিটিগী চ্যেরমেন ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ভাইস চ্যেরমেন বিরেন্দ্র সলামনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল থমখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম নিলাচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, শুমাঙ লীলাগীদমক কখোকপীরম্লবশিংনা লৈখিদ্রবা মতমদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎপা হায়বসি শুমাঙ লীলা কন্নবা ঈহৌ শাগৎপা কাউন্সিল অসিগী কেলেন্দরগী থৌরম অমনি। লোয়ননা খুন্নাই অসি কন্ননবা থৌদাংশিংগী মনুংদা লীলা কনবা ঈহৌ অসিসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়খি।

লৈখিদ্রবা দিনেশ তোংব্রমনা ইরম্বা লীলা কয়ানা শুমাঙ লীলাদা অচৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পীরম্মী। মহাক্না ইরম্বা লীলাদা নৎতনা ফিল্মগী স্ক্রিপ্টতসু তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ কয়া ফংখ্রে। মহাক্না ইরম্বা শীংথানিংঙাই ওইবা লীলা খরদং পল্লবদা- 'ঈগী মহাও', 'মন্ত্রি দোলান স্না', 'অধিকার', 'পোষ্ট মোর্টেম', 'ইম্ফাল দাইরি', 'বোর্দর', '২৩শুবা সেঞ্চুরি', 'মসিরা পূন্সি', 'মণিপুর বন্দ', 'থৱায়না পূন্সিগীদমক', 'পিজা-১, ২, ৩' অসিনচিংবনি।

চানা-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা দুইগাং পাংজাং (গাংমা)দা লৈবা নুপী অমা খূদোংথিবা থৌদোক অমদা হোস্পিটালদা পুখৎলুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, সেক্তা অৱাং লৈকাইগী কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈরিবা ইমুং মরিদা পুংদোংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ইরুংবম সুন্দরীগা খূৎশম্নরগা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ / IDENTITY CARD LOST

I have lost my Identity Card of Bishnupur District Hospital on the way between Maibam and Imphal on 4/11/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Elizabeth Oinam**
Maibam Chingning
9862535459

HL-P/8052/16

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / থাগৎচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) (অপোকপা নবকিশোর)না হাপ্তা ৪ (মরি) লায়েংবীবদগী ঐগী ওই থংবা নাকন্দা লৈবা নুঙ অমা তাহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা মাবু থাগৎচরি।

থাগৎচরিবী :- **এল দবেয়েন্তি দেবী**
কোংপাল খাইদেম লৈকাই।

HL-P/8040/16

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হান্বদা কোঙ্গোলিনগুম্বা মরূ-মরূ নুংতিগী হান্নকপা, অমাংথোঙ মনুংদা খেৎতৎলগা চাথৎপনা খোঙ হান্বা লোইরকপদা অমাংথোঙ মনুংদা শারগা লৈবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, মতম কুইনা চঙবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।

ঐ নুংশংনা মতম শাংনা নাদুনা খোঙ হান্বদা কোঙ্গোলিনগুম্বা মরূ-মরূ নুংতিগী হান্নকপনা অমাংথোঙ মনুংদা খেৎতৎলগা চাথৎপনা খোঙ হান্বা লোইরকপদা অমাংথোঙ মনুংদা শারগা লৈবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বদা ঈ সিরিঞ্জনা কাপ্লগুম কাপথোরকপা অদুগা মশানা অমুক ফখিবা অমুক হৌরকপা তৌরগা অদুম লৈবা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হান্বা চঙনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, খোঙ হান্বদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, হকচাং চোকথ-ৱান্থবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বদসু শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7985/16 *থাগৎচরিবা :* **Y. Homendro**, Nagamapal

ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/7946/29/10-27/11 HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)

ꯌꯣꯟꯒꯅꯤ
"ATHUBAGI INGKHOL AMA YONJARI"

National Highway 39 gi main road ka tainabada lam ama yonjari. Square feet = 24 (breadth) x 52 (length). Pambiba sing amadi details khanbiningba singna makhagi contact no. asida pao faobirak u.

* No Broker (Broker di changbirak kanu!)

HL-P/8039/14,15,16 **# 8837373947**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, কময়াদা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা পোমথোক্লগা লৈবা, নাকোং ঙংলগা লৈবা, ফম্বী শোনবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙগী অকোয়বদা পোমথোক্লগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা মরম ওইদুনা পূক্তা পংখোংতা খোংবা, পূক গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক নুংঙাইতবা অমদি চাবা তুমদবা, পোমথোকপা অদুদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্নগসু অকনবা ওইনা হান্নগা অমাংথোঙ মনুংদা খোঙ অকনবা অদুনা শেগাইরগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তারগা হকচাং শোন্থবা, নুংশিৎ য়াম্না তোয়না চৎপা, ঙকশম মরী অমদি লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, মরক-মরক্তা য়েৎকী শাগন অমদি খোঙ শিথবগুম তৌবা, মরক-মরক্তা খ্বাঙ লেংশিল্লগা হৌগৎপা ঙমদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা খোঙ হান্বা য়াদবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, য়ুসু থকপা য়াদবা, নাকোংদা ঙংলগা লৈবা, কময়াদা চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা অমদি ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, তাঙ-তাঙ চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/16 *থাগৎচরিবা :* **Th. Subash Singh,** Paobitek

ꯑꯣꯐꯔ/OFFER **ꯑꯣꯐꯔ/OFFER**

য়েন্নাও অমদা লুপা ২৯দা ঙানুনা লুপা ৬০দা ফংবীগনি

লাক্লিবা নবেম্বরগী তাং ২২ নোংমাইজিং নুমীৎতা য়েন্নাও Kuroiler অমদা লুপা ২৯দা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। মচা ২০০ শুনা লৌবীবা মীওইশিংনা whole sale rate তা লৈবীবগী খূদোংচাবা ফংবীগনি। থাংজ খূদিংগী য়েন মরুম অমদি ঙানু মরুম হাপচগনি। নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী য়েন্নাও অমদি ঙানু মচা হোঙনা ফংবীগনি।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near Postal Colony, Eastern Ground Road,
Palace Compound, # 9436085117

HL-P/8055/16

NAMTHANLONG YOUTHS' CLUB (NYC) AND THANGMEIBAND KABUI WOMEN'S ORGANISATION (TKWO), THANGMEIBAND, IMPHAL

ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ / CONDOLENCE

All executive members and members of NYC and TKWO held a condolence meeting on Sunday, 15th November, 2020 at 9 a.m. at Namthanlong Village on the sudden demise of (Late) Mr. Aningthui Remmei former Social & Edn Secy (NYC) (1984-1986), Finance Secy (NYC) (1986 to 1987), (1990-1991), (1995-1997), (1999 to 2002), Auditor (NYC) (2010 to 2019) and former Joint Secretary of TKWO (1987-91). A two minute silence was observed as a mark of respect to the departed soul. The meeting also shares the sorrow and grief of the family members. May his soul rest in peace in the heavenly abode.

Sd/- Namthanlong Youths' Club (NYC) & Thangmeiband Kabui Women's Organisation (TKWO)

HL-P/8053/16

ꯌꯨꯝꯁꯥ ꯆꯤꯀꯦꯟ
YUMSHA CHICKEN
Monday and Tuesday only
TIME : 5 am to 6 pm
DRESSED - Rs. 160 per kg.
Keishampat

HL-P/8056/16

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা

হৌখিবা তাং ১২/১১/২০২০ ইং, শগোলশেন নুমীৎতা "পূন্সি লমজিং মৈরা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন"গী প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বী কোন্সম নীঙোল মাইবম ওংবী ববিতা দেবী, মপুরোইবা এম. সুরেন, তাঙ্খমদা লৈবীনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা তাং ১৩/১১/২০২০ ইং, ইরাই নুমীৎতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমগা লোয়ননা মিনিট অনী লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মহাক্না হিংলিঙৈদা মীয়াম অমদি শোখ্রবা নুপী খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাং কয়াদা চোকথবা লৈতনা অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা হোৎনবীরম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা পূন্সিগী মেনশিনবা ঙম্নরোইদবা অচৌবা অহাঙবা অমা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌরগনি।

মহাক্কী থৱায়না স্বর্গগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা তাইবঙ মপূগী মফমদা থৌনীজরি। লোয়ননা মহাক্না পুল্লম্বা মরুপ-মপীজা, শাগৈ-নাতৈ অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিনা শরুক য়াজরি।

Sd/- N. Ibechaobi Devi, Secretary
Punshi Lamjing Meira Village Level Federation
Sambei, Imphal East, Manipur

HL-P/8054/16

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN
MEDICAL & ENGINEERING NEW FOUNDATION COURSE

NEW FOUNDATION COURSE 2020
CLASS X(BOSEM)
CLASS X(CBSE)
CLASS XI (COHSEM & CBSE)
CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)

BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 4.30-7.45 P.M

LIMITED SEAT
FIRST COME FIRST SERVE
OFFICE HOUR : 11 A.M. TO 3.30 P.M

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'

SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.

Last date of admission: 18th NOV. CLASS STARTED: 19th NOV'20

ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।